ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ

The Largest Circulated Newspaper in Manipur

Member : Audit Bureau of Circulations (ABC), Media Research Users Council India (MRUCI) & Indian Newspaper Society (INS)



প্রাইম মিনিষ্টরনা ঐচ পি ভি ভেক্সিনেশন হৌদোকখিবগী মনুং চন্না চীফ মিনিষ্টর ৱাই খেমচান্দনসু জেনিমসতা হৌদোকপগা লোয়নননা দিষ্ট্রিক্টশিংদা এম্বুলেন্স ৩৩ খুৎশিন্নখিবা


উরৈশিংবু ষষ্ঠী অনৌবনা নপশিনবসিদি চুমদে... ☛ লামায় ২

লামায় ৪ ☛ মণিপুরগী ঈশিং-নুংশিৎ

ক্ষেত্রি রাজেননা ইবা অঙাংগী শৈরেং লাইরিক ‘শামু... ☛ লামায় ৫

লামায় ৬ ☛ চীফ মিনিষ্টর য়ুম্নাম খেমচান্দ অমসুং ওপ্পোজিশন...

মী অমা ফাদ্রিঙৈদা থৌওং অদু জষ্টিফাই তৌনবা... ☛ লামায় ৯

লামায় ১২ ☛ গভরনর্স পোলো কপঃ নুপা অমসুং নুপী টিম...


থৌবাল অথোকপমদা লৈবা সাইন্স ক্লব, মণিপুরনা নেশনল সাইন্স দে, ২০২৬কা মরী লৈননা পাঙথোকপা স্পোট পেন্টিং কম্পিটিশন কম সাইন্স টোকতা মকোক মথং তারবশিংদা মনা লাম্হোকপা



Vol. 50, Issue No. 322 | নোংমাইজিং, লমতাগী ১৩নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO | Sunday, March 01, 2026, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50

# করম্বা মতমদা অমোৎ-অকাই পৈশিন্দবা ইম্ফাল সিটি ওইরক্কদগে হায় কোর্টনা গার্বেজ বিনশিং মরাং কায়না থম্নবা দিরেক্সন পীখ্রে

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৮ (ঐচএনএস) :**
হৌজিক্কা চীফ মিনিষ্টর ওইরবা য়ূম্নাম খেমচান্দনা মাহুদ মিনিষ্টর ওইরিঙৈ মমাঙগী কুমজা ২০২৫গী জন্যুৱারী ২৬তা পাঙথোকখিবা রিপব্লিক দে থৌরমগী মাঙওইননা মিনিষ্টরনা লুচিংদুনা ইম্ফাল সিটিদগী অমোৎ-অকাইশিং লৌথোকপা হৌখ্রে হায়বা হেদলাইনগী মখাদা পাউ অমা ইম্ফালদা নুংতিগী অয়ূক্তা ফোঙবা পাউচে অমনা তৌখিবা রিপোর্টকী মতুংইন্না উরিপোক অপূনবা লূপকী জেনরেল সেক্রেটরিনা জন্যুৱারী ২৮, ২০২৫দা লৈঙাক্কী মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংদা ইম্ফাল সিটিগী মনুং অমসুং অকোইবগী মফম চাবশিংদা গার্বেজ কন্টেনর বিনশিং থম্বীনবা অইবা চেরোল অমা পীশিনখ্রবা মতুংদা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ফাইল তৌরকপা ৱাকৎ অমগী ৱায়েল ঙরাং চথখ্রে।




ফেব্রুৱারী ২৭,২০২৬কী অয়ূক পুং ৯.২০দা উরিপোক চৈরাপ কোর্টকী গেট অমসুং অয়ূক পুং ৯.১৮দা ফ্লাইওভর মখাদা লৈখিবা অমোৎ-অকাইশিং

ৱাকৎ অসি লমশাং এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুংদা লৈবা ২ য়াওনা উরিপোক এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী লোকল ক্লব ৪৮গা পূনবা ক্লব ৫০গী বোদি অমা ওইরিবা উরিপোক অপূনবা লূপকী প্রসিদেন্ট সোরাম টেকেন্দ্রজিৎ (৮১) অমসুং জেনরেল সেক্রেটরি সামোম ধ্রুব (৪৬) অনীনা ফাইল তৌরকখিবনি।

পিটিস্নর অনীগী ৱাকৎ অসি হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা পব্লিক ইন্টরেষ্ট লিটিগেশন (পি আই এল) নম্বর ১৭ ওফ ...মখা লমায় ৩ কলম ২

# রুল ওফ লো লৈত্রবদি দেমোক্রেসি লৈরোই, লোগী মপাঙ্গল হেন্না কনখৎহনগদবনি : জষ্টিস কোটিশ্বর

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৮ (ঐচএনএস) :**
লিগেল প্রোফেশনদা লৈরিবশিংনা অমত্তা ওইনা থবক তৌমিন্নদুনা রুল ওফ লোগী মপাঙ্গল হেন্না কনখৎহনবা মথৌ তাই। রুল ওফ লো লৈত্রবদি দেমোক্রেসি লৈরোই অদুগা দেমোক্রেসি য়াওদ্রবদি প্রোগ্রেশ লৈরোই হায়না সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াদা অহানবা ওইনা মণিপুরদগী জজ ওইরিবা জষ্টিস নোংমৈকাপম কোটিশ্বরনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি মথং থাগী ২৩দা পাঙথোক্কদৌরিবা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী ১৩শুবা কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা কোর্ট অসিনা মণিপুর জুদিশল একাদেমিগা খুৎশম্নদুনা কোর্ট অসিগী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকপা ক্রিমিনেল লোশিংগী লেকচরশিং হৌদোকপগী থৌরমদা শরুক য়ারদুনা ফোঙদোকখিবনি।

জষ্টিস এন কোটিশ্বরনা মখা তানা হায়, লো অসি য়াম্না পাক চাউবা সবজেক্টনি। মতম অমদা খুন্নাইদা এদ্যুকেশনগী নোলেজ ফজনা লৈত্রিঙৈদো খূৎকন পাঙ্গনবা পৱার পায়বশিংনা শুপ্নম লৈঙাক কয়া চত্থরম্মী। অদুবু ঙসিগী মীওইবনা চাওখৎলকপা অমদি এদ্যুকেশনগী মঙাল লৈরক্লবা মতমসিদদি লোগী মরু ওইবসি মীয়াম্না খঙনরে। ঙসিদি লোনা অচৌ - মচা খায়দনা চপ মান্নবা মীৎয়েং য়েংলে। মতম অমদা মণিপুরদা লোগী মহৈরোয় অমদি লোয়র মশীং য়াম্লমদে। অদুবু ঙসিদি লোয়র অমদি লোগী মহৈরোয় কয়া অমা উবা ...মখা লমায় ৩ কলম ২



# গভর্ণরনা অমিট শাহ উন্নদুনা মণিপুরগী ফীভম পাউদমখ্রে

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৮ (ঐচএনএস) :**
নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা দেল্লীগীদমক ইম্ফাল থাদোকখিবা গভর্ণর এ কে ভল্লানা ঙসি হোম মিনিষ্টর অমিট শাহগা উন্নদুনা মণিপুরদা হৌজিক মায়োক্নরিবা তোঙান তোঙানবা ফীভমশিং মরীক চুম্না পাউদমখ্রে হায়রি। ...মখা লমায় ৩ কলম ২



## মূখৎলুরবা ‘বুঙ’ ফিল্মগী দিরেক্টর লক্ষ্মিপ্রিয়াগী ৱাফম অমুক হাপচিল্লক্লে




**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৮ (ঐচএনএস):**
থা অসিগী ২৩দা লন্দনগী রোয়ল ফেষ্টিবেল হোলদা মণিপুরী ফিল্ম ‘বুঙ’দা বফটানা চিলদ্রেন অমসুং ফেমিলি ফিল্মগী কেটেগোরিদা বেষ্ট ফিল্মগীদমক বফটা এৱার্দ খুৎশিন্নরমদাইদা দিরেক্টর লক্ষ্মিপ্রিয়ানা ফোঙদোকখিবা ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## এয়রপোর্টতগী ফাবা দ্রগকী খোঙ্গুল লীবা চঙলুবা পুলিসকা খুঞ্জাশিংগা মূন্নখ্রে

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৮ (ঐচএনএস):**
ঙরাং নুমিদাং পুং ৭ লোম তারকপদা লিলোং য়াংবী লৈকায়দা লৈবা এম দি সবির অহম্মদ (২৬) কৌবা মীওই অমা এন সী বি, ইম্ফালনা কম্মান্দো অমদি লিলোং পুলিসকী কম্বাইন্দ টিমগা লোয়নননা দ্রগকা মরী লৈননা ফাবা চঙলুবদা খুঞ্জাশিংনা অথিংবা পীরকপদগী নাকল অনীগী মরক্তা চাউনা মূন্নখ্রে হায়রি।

অদুম ওইনমক মীয়ামগী ঈরাং অদু নুমিদাং পুং ৮.৩০ তারকপদা লাকশিনখিবগা লোয়নননা ঈরাং শাগৎপা য়াওবনি হায়না লিলোং য়াংবী লৈকায়দগী এম দি অবাস আলি কৌবা মীওই অমা ফাগৎখি।

পনবা য়াবদি, ঙরাং নুংথিল ইম্ফাল ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## য়ু জি ৩ ফারে, নোংমৈ ফংলে

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৮ (ঐচএনএস):**
পুলিস কন্ট্রোল রুমগী চেরোল অমদা ঙসি পুলিসনা কে সী পি-নোংদ্রেনখোম্বগী খাগেম্পল্লি পনখা ঙান্নপীথোং মমাঙদগী লাইশ্রম মোনিস এলিয়জ টোম (২৩) কৌবা কাদর অমা মহাক্কী ময়ূমদগী মোবাইল ফোন ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## মরী লৈনদে : প্রিপাক

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৮ :** পিপলস রেভল্যুস্নরি পার্টি ওফ কংলৈপাক (প্রিপাক) কী পব্লিসিটি ওফিসর (দিপার্টমেন্ট ওফ পব্লিসিটি এন্দ প্রোপেগন্দা) মঙাল খুমনগী চেরোল অমদা সিবানন্দ অমদি দেবিয়া প্রিপাককা ...মখা লমায় ৩ কলম ১

## কে সী পি-পি দল্লিয়ু জিগী ৱাফম

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৮ :** কংলৈপাক কম্যুনিষ্ট পার্টি-পি দব্লিয়ু জিগী পি আর ও চীঙ্খোঙানবগী চেরোল অমদা থোকচোম সঙ্কর (শীংজমৈ থোঙাম লৈকায়), শরুংবম প্রেমানন্দ (শীংজমৈ ময়েংবম লৈকায়) অমসুং খোইস্নাম ...মখা লমায় ৮ কলম ১

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

# য়ুথ কোংগ্রেসনা থম্বাল শঙলেন মমাঙদা মোদিগী ইফিজি মৈ থানবা হোৎনরকপদা পুলিসকা চাউনা মুক্কখ্রে

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৮ (ঐচএনএস) :**
হন্দক পাঙথোকখিবা ইন্দিয়া এ আই ইম্পেক্ট সবমিট ২০২৬কী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট তৌরুবদা পুলিসনা ফাজিনখিবা ইন্দিয়ন য়ুথ কোংগ্রেসকী লুচিংবা উদয় ভানু চীব য়াওনা য়ুথ কোংগ্রেসকী মেম্বরশিং থাদোক্কদবনি হায়দুনা লৈবাক শিনবা থুংনা চত্থরক্লিবা খোঙজংগী মনুং চন্না মণিপুর প্রদেশ য়ুথ কোংগ্রেস কম্মিটিনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মীতম নিত্যাইপাৎ চুথেক্তা লৈবা থম্বাল শঙলেনগী মমাঙদা পুরক্লগা মৈ থাগনি হায়দুনা থৌরাংলকপদগী পুলিসনা থিংনবা হোৎনবদা নাকল অনীগী মরক্তা চাউনা মুক্কখ্রে।



ঙসি নুমিৎয়ুংবা পুং ১২ রোম তারকপদা য়ুথ কোংগ্রেসকী থৌমীশিং কোংগ্রেস ভবনদা পুল্লবা মতুংদা থম্বাল শঙলেনগী মমাঙ তম্না লাক্লবা হোৎনবদা পুলিসনা মখোয়বু কোংগ্রেস ভবনগী গেটতা সী আর পি এফকা লোয়নননা থৎতুনা থমখি। অদুবু খোঙজংলোইশিংনা নম্ফুদা চৎননবা হোৎনরকপদগী নাকল অনীগী মরক্তা চাউনা মুক্কখিবনি। তুংদা মৈ থাননবা থৌরাং তৌরম্বা প্রাইম মিনিষ্টরগী ইফিজি অদু ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

# ঐচ পি ভি ভেক্সিনেশন কেম্প্যেনদা চীফ মিনিষ্টর খেমচান্দসু শরুক য়াদুনা নুপীমচাশিংদা হীদাক কাপ্পা হৌখ্রে

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৮ (ঐচএনএস) :** নুপীমচাশিংদা মায়োক্লবা সর্ভিকেল কেন্সরদগী ঙাকথোক্লবগীদমক প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি রাজস্থানগী অজমরদগী লৈবাক শিনবা থুংনা হ্যুমেন পাপিল্লোমাভাইরস (ঐচ পি ভি) ভেক্সিনেশন কেম্প্যেন হৌদোকখিবদা চীফ মিনিষ্টর ৱাই খেমচান্দসু শরুক য়ারদুনা জে নিমসকী ওদিটোরিয়মদা ষ্টেট অসিগীসু কেম্প্যেন অসি হৌদোক্তুনা চহী ১৪শুরবা নুপীমচাশিংদা হীদাক অসি কাপ্পা হৌখ্রে।

অমরোমদা, এন ঈ সীগী শেন্থং মখাদা হেল্থ সর্ভিসেসনা মমা ওইবীশিং অমদি অঙাংশিংগী হেল্থ ক্যেরদা শীজিন্ননবা এম্বুলেন্স ৩৩সু চীফ মিনিষ্টরনা ঙসিগী থৌরমগী মাঙওইননা তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা লমথাখি। চীফ মিনিষ্টরনা থৌরমগী মনুং চন্না জেনিমসকী ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিংসু য়েংশিনবগা লোয়নননা ইন্সটিট্যুট অসিগী হোস্পিটাল মনুংদা লৈরিবা উফুল থাংবা লন্বীগী ফীভম্নচিংবা অমদি ওইহন্নীংবা ইনভাইরনমেন্ট ওইরমদবদগী খুদক্তা লন্বী শেম্নবা পি দব্লিয়ু দিদা খঙহনখ্রে হায়না পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি। ঙসি ঐচ পি ভি ভেক্সিনেশন হৌদোকপগী থৌরমদা চীফ মিনিষ্টরনা জেনিমসতা হাংবা রেজিষ্ট্রেশন কাউন্টর, ভেক্সিনেশন রুম অমদি ওবজার্ভেশন রুমনচিংবসু য়েংখি। লোয়নননা ইন্সটিট্যুট অসিগী ডাক্তর, নর্স অমসুং বেনিফিসরিশিংগসু ৱারী শানখি।

ঙসি ভেক্সিন অসি কাপখিবা নুপীমচা অমদসু চীফ মিনিষ্টরনা ভেক্সিনেশন সর্টিফিকেট খুৎশিন্নখি। থৌরমগা মরী লৈননা ষ্টেট ইম্যুনাইজেশন ওফিসর ডা. কে এস ঐচ মেমিচানা হায়, কেম্প্যেন অসি থাবুম অহুম চূপ্পা চত্থগদবনি। ভেক্সিনেশন অসি চহী ১৪ মপূং ফারবা অমসুং চহী ১৫ শুদ্রিবা নুপীমচাশিংদা চত্থগদবনি। হায়রিবা থাবুম অহুমসিগী মনুংদা চহী ১৪ মপূং ফারবা অদুগা ১৫শুদ্রিবা নুপীমচা ২৯,০০০ ভেক্সিনেশন অসি কাপ্পগী পান্দম থল্লি। মসিগীদমক দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল, সব দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল, সী ঐচ সী, পি ঐচ সী অমদি অর্বান হেল্থ সেন্টরনচিংবা মফম ১৪১দা ভেক্সিনেশনগী থবক পাঙথোক্কনি। থবক অসি মেদিকেল ওফিসরশিং লৈবা অমসুং ভেক্সিনেশন কাপ্পগী খুদোংচাবা লৈবা মফমশিংদগী হান্না হৌগনি হায়খি।

# এমপ্লোয়ীজ ষ্টেট ইন্সুরেন্স কোর্পোরেশনগী মপোক কুমওনদা প্রিভেন্টিভ হেল্থ চ্যেক-অপ পাঙথোকখ্রে

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৮ (ঐচএনএস):**
গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মিনিষ্ট্রি ওফ লেবর এন্দ এমপ্লোইমেন্টকী মখাদা লৈরিবা এমপ্লোয়ীজ ষ্টেট ইন্সুরেন্স কোর্পোরেশন (ঈ এস আই সী) গী ৭৫শুবা মপোক কুমওনগা মরী লৈননা পাঙথোকপা স্পেশল সর্ভিস ফোর্টনাইটকী মতুং চন্না ঙরাং সেগারোদ থৌদা ভাবোক লৈকায়দা লৈবা ‘হুইয়েন লানপাউ’ পাউচেগী ওফিসতা নোংমগী ওইবা প্রিভেন্টিভ হেল্থ চ্যেক-অপকী কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে।




কোর্পোরেশন অসিনা থা অসিগী ২৪দগী হৌরক্লগা মথং থাগী ১০ ফাওবা স্পেশল সর্ভিস ফোর্টনাইটকী মখাদা তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা থৌরমশিং পাঙথোরক্লিবনি। মসিগী মনুং চন্না ঈ এস আই সী, মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চকী থৌপুবশিংনা পাউচে অসিগা খুৎশম্নদুনা পাউচে অসিগী ওফিসকী ষ্টাফশিংদা নোংমগী ওইবা লেম্না অনা লায়েংবগী খুদোংচাবা ফংহনখিবনি।

ঙরাং পাঙথোকপা প্রিভেন্টিভ হেল্থ চ্যেক-অপ কেম্প অসিগী মতাংদা কোর্পোরেশন অসিগী মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চকী এসিষ্টেন্ট মেনেজর চনম্বম সৈত্যজিৎনা হায়, মণিপুরদা লৈরিবা ওর্গনাইজেশন সেক্টরশিংদা মীওই ১০ নৎত্রগা মসিদগী হেনবশিংদি কোর্পোরেশন অসিদা রেজিষ্টর তৌগদবনি। রেজিষ্টর তৌরবা মীওইশিংদা কোর্পোরেশন অসিনা কেশ বেনিফিট অমদি হেল্থ বেনিফিটকী ...মখা লমায় ৩ কলম ৭




HL-B/11203/28,1,3